**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-10.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা ৱারী শান্নবা হৌনবা খঙহল্লকপদগী মন্ত্রি অমসুং এম.এল.এ খরা দিল্লিদা চৎখ্রে।

২) মীয়ামদগী শেলগী দিমান্দ তৌবদা চেন্নবনি হায়বা কে.সি.পি (নোংদ্রেন খোম্বা) গ্রুপকী নুপী অমা য়াওনা মীওই ৭ সেকুরিতি ফোর্সনা ফারে।

৩) লেবর মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা কেন্দ্রগী স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপকী রাজ্য মন্ত্রি (ইন্দিপেন্দেন্ট ইনচার্জ) জয়েন্ত চৌধুরিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

৪) মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ই-মাইগ্রেট ভি-টু জিরো ৱেব পোর্তেল অমসুং মোবাইল এপ্প হৌদোকখ্রে।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী রোড ট্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি-লৈবাক অসিদা ইথানোল বাইও ফ্যুএলগী পম্প ৪০০ হেন্না হাংদোকখ্রে।

------

টোঙ্ক (এল)ঃ মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লোইশিন্নবা লৌখৎলকপা থৌরাং অমা ওইনা গৃহ মন্ত্রালয়না রাজ্য অসিগী অচৌবা ফুরুপ অহুম- মীতৈ, নাগা অমসুং কুকিগী এম.এল.এশিং দিল্লিদা হয়েং নুংথিল ৱারী শানবা কৌরকখ্রে।

চহী অমা মখায় হেল্লক্লবা মণিপুরগী ইরাং লোয়শিন্নবা কেন্দ্রনা লৌখৎলকপা অখন্নবা খোঙথাং অসিদা শরুক য়ানবা ঙসি রাজ্য সরকারগী তোঙান তোঙানবা মন্ত্রি অমদি এম.এল.এশিং দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মদুগী মনুংদা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল মন্ত্রি ডাঃ সাপম রঞ্জন, শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমার, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাই অমসুং এন.পি.এফগী এম.এল.এ- লোসি দিখো য়াওরি। মখোয়না ইম্ফাল থাদোক্লমদাইদা পাউমীশিংগা উন্নবদা মন্ত্রি অৱাংবৌ নিউমাইনা হায়- মখোয়বু ৱারী শান্ননবা কৌরক্লিবা অসি চপ চাবা মরম খঙহল্লকপা লৈত্রি। অদুবু রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারনা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি হেক হৌরকপদগী শান্তি পুরকবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনদুনা লাক্লি। ৱারী শাগদৌরিবা অসিদা হিরম অসিগী মতাংদা খন্নদুনা শান্তি পুরকপা ঙম্বা ওইরসনু হায়খি।

এম.এল.এ- লোসি দিখোনা হায়- গৃহ মন্ত্রালয়না ৱারী শানবা কৌরক্লিবা অসি য়ামা অফবা খোঙথাংনি। তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী এম.এল.এশিং য়াওনা ৱারী শাগদৌরিবা অসিনা শান্তি পুরকপা ঙমবা লম্বী অমা য়াৎপা ওইসনু হায়খি।

এমপিপি (এল)ঃ মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা কেন্দ্র সরকারনা রাজ্য অসিগী এম.এল.এ অমসুং মন্ত্রিশিং ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্ননবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অসি মণিপুর পিপলস পার্তি (এম.পি.পি)না তরামা ওক্লি। দল অসিগী চেরোল অমনা হায়- চহি অমগা থা ৭ শুরক্লবা ইরাং অসি কেন্দ্র সরকারনা মতম অমদা হেক্তা লোইশিনবা ঙমগনি হায়বসি এম.পি.পিনা থাজে। অদুবু ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কায়হনবদি য়ারোইন হায়না মখা তারক্লি।

এরেষ্ট (এল)ঃ মীচম মীয়ামদগী শেলগী দিমান্দ তৌবদা চেন্নবনি হায়বা কে.সি.পি (নোংদ্রেন খোম্বা) গ্রুপকী নুপী অমা য়াওনা মীওই ৭ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিং এন.এস.এগী মখাদা থবক

লৌখৎলগনি। অককবা পাউ অমা ফংবদগী লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন থ্রিগী অকোইবদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা মখোয় ৭ অদু ফাবা ঙমখিবনি। মীওইশিং অদুদগী অঙৌবা মচুগী টোয়োতা ফোরচুনর কার অমা, গ্রান্দ আই-টেন কার অমা, রোয়েল ইনফিল্ড বাইক অমা, মেগাজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, নোংমৈ মরু খরা, মোবাইল ফোনশিং অমদি তোঙান তোঙানবা চে চাংশিং ফংখি হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী এস.পি. ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা জিলা অসিগী এস.পি. ক্ষেত্রিমায়ুম শিবাকান্ট হায়-হৌখিবা নোংম-নিনি অসিদা সোসিয়েল মিদিয়া ইনফ্লুয়েন্সর অমদা শেলগী দিমান্দ তৌবা অমদি অকি অখণ্ড পোকহনবগী থৌদোক থোকখিবশিং অদুদসু ঙসি ফারিবা মীওইশিং অসি চেন্নরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। ফারিবশিং অসিগী মথক্তা মখা তানা থিগৎনবা লমফেল পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরে । মহাকা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক হৌজিকমক আইনগী ৱাংমদা মীয়ামদা কিহন খঙহন্দুনা শেল খায়বগী চাং হেনগৎলক্লি। মসিদা মণিপুর পুলিসনা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লি। হৌখিবা নুমিৎ মঙানিরোম অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলা খক্তদা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই ১১ ফাবা ঙমখি। অসিগুম্বা আইনগী ৱাংমদা তৌবা থৌওংশিং অসি থেংনখ্রবা মীওইশিংনা পুলিসতা মতম চানা পাউ পীবীয়ু। পাউ পীরকপা মীওইশিংগী মশক মমিং লোৎতুনা থমগনি। শ্রী শিবাকান্টনা হায়- শেল খায়বদা চেন্নবশিং মণিপুর পুলিসনা ফানবা হোৎনরিবা অসিদা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নবশিং এন.এস.এগী মখাদা অহকপা চৈরাক পীবা হৌরগনি।

ডে (এল)ঃ ইন্সটিট্যুসন ওফ ইঞ্জিনিয়রস ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট সেন্তরনা শিন্দুনা ঙসি ৱার্ল্ড ষ্টেন্দর্দস ডে থৌরম ইম্ফালগী তাকয়েলদা লৈবা পোলিটেকিক কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোলদি- সিয়র ভিজন ফোর এ বেত্তর ৱার্ল্ডঃ স্পোট লাইট ওন এস.দি.জি নাইন হায়বসিনি।

হেলথ(এল)ঃ   সাইকোলোজিকেল কিয়র ইন দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট হায়বসিদা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা হেলথ সেক্তরগী ত্রেনিং ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী থঙ্গাল বজারদা হৌদোকখ্রে। ত্রেনিং ৱার্কশোপ অদু নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং রাজ্যগী দাইরেক্তরেট ওফ হেলথ সর্ভিসেসনা পুন্না শিনবনি। হৌদোকপগী থৌরমদা হেলথ সর্ভিসেসকী দিরেক্তর ডা.ও.সনাহনবী দেবী অমসুং হেলথকী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং য়াওখি।

দিঙ্গো (এল)ঃ   স্কিলস, লেবর, ইমপ্লোইমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুসিপ মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ইমপ্লোইমেন্টকা মরী লৈনবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা কেন্দ্রগী স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ওন্তরপ্রেন্যুরসিপকী রাজ্য মন্ত্রি (ইন্দিপেন্দেন্ট ইনচার্জ) জয়েন্ত চৌধুরিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

শ্রী হৈখাম দিঙ্গোগা নিউ দিল্লিগী কৌসল ভাবনদা শ্রী জয়েন্ত চৌধুরিগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা লৈরিবা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক স্কিল দিভলপমেন্ট য়ুনিভর্সিতি অমা হাংদোকপীনবা থল্লমখি। শ্রী দিঙ্গোনা ইন্তরনেল্লি দিসপ্লেস পার্সনশিংনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈদুনা অৱাবা কয়া থেংনরিবা অসিগী য়েংলগা স্পিসিয়েল স্কিল দিভলপমেন্ট অমসুং ইমপ্লোইমেন্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং রাজ্য অসিগীদমক লাউথোকপীনবসু তকশিল্লমখি।

এআর (এল)ঃ   নোনে জিলাগী গাইদিমজাংদা লৈবা তাজৈ পাব্লিক স্কুলদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ই-ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী মতাংদা লেকচর অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা স্কুলগী মহৈরোই অমসুং ওজাশিং শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ক্বিজ কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

অসাম রাইফলসনা থৌবাল জিলাগী থৌবাল অমসুং লিলোংদা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে হায়রি। কেম্পশিং অসিদা তোঙান তোঙানবা স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তর কয়া শরুক য়াখি।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী খেংজোই সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা জোপীদা থা অসিগী ৭ তগী ১১ ফাওবা খুঞ্জাশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া পাঙথোকখ্রে। থৌরমশিং অদুগী মনুংদা লেমা লায়েংবা, নুপী অমসুং অঙাংশিংগী চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্ন-নৈনবা, উ চারা থাবা, সেনিতেসন দ্রাইভ, স্কিল দিভলপমেন্ট ক্লাসনচিংবা য়াওরি।

এৱারনেস (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈ চীংঙামখা হাইস্কুলদা হেলথ, ন্যুত্রিসন, হাইজিন ওফ এদোলেসন গার্ল অমসুং লিগেলে এৱারেনেস থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট আই.সি.দি.এস সেল ইম্ফাল ৱেষ্ট অমদি ইজ্‌কেসন দিপার্টমেন্টকী জোন-ৱানগা খুৎশমরগা শিনবনি।

রেল্লি (এল)ঃ চান্দেল জিলাদা ময়াই কাবা নিশাশিংদগী হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংবু লাপথোকা থমবগী পান্দমদা চান্দেল ফোর খৃইষ্ট হায়বসিদা যুম্ফম ওইরগা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরসতগী জাফৌগী মহা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুল ফাওবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। খোঙচৎ অসি চান্দেল নাগা খৃষ্টান ফোরম, চান্দেল নাগা পিপলস ওর্গনাইজেসন অমসুং নাগা ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন চান্দেলনা পুন্না শিনবনি।

মিল্ক (এল)ঃ সোয়া মিল্ক অমদি তোফু শঙ্গোম সনা শেম শাবগী নোংমগী ওইবা দেমোন্সত্রেসন কম ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি দি.এম. কলেজ ওফ টিচরস ইজ্‌কেসন ইম্ফালগী জ্‌বিলি হোলদা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসি ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অমদি কলেজ ওফ এগ্রিকলচর ইম্ফালগা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অদুদা বি.এদ থার্দ সেমিষ্টরগী ত্রেনিশিং, ওজাশিং অমদি অতৈ মীওইশিং শরুক য়াখি।

দাবী (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কংগ্রেসকী মণিপুর ষ্টেট কমিতিনা ইজরেলদা লৈরিবা ভারতকী কন্সত্রক্সন ৱার্করশিং অথুবা মতমদা ভারত্তা অমুক

হন্না পুরকবা মপান থৌরম মন্ত্রালয়দা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎপীনবা দাবী তৌরি।

কমিতি অসিগী চেরোল অমদা হায়- হৌজিক হৌজিক ইজরেলদা চত্থরিবা অকনবা লান অসিদা ভারতমচাশিং অশোই অঙাম থোক্তনবা থৌরাং অসি পায়খৎনবা তকশিনবনি।

এদল্ট (এল)ঃ কে.পি. কলেজগী রিলিফ কেম্প, হিয়াংথাং কবুই খুল অমদি তরাহে কোঞ্জিলদা লৈবা লাইরিক ময়েক চৎতবা মীওইশিং ইবা পাবা হৈনবা তম্বীখ্রবা মতুংদা লার্নর সার্তিফিকেট য়েন্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোকখ্রে। দিপার্টমেন্ট ওফ এদল্ট কন্টিনুয়িং ইজ্‌কেসন এন্দ এক্সটেন্সন মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা শিনখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী রেজিষ্টার দব্লিউ চান্দবাবু শরুক য়াখি।

নুমিৎ (এল)ঃ লাইনিংথৌ মালেম অঙনবা (সনামহি) থৌগল্লুপনা শিন্দুনা ৱাংগোইদা লৈবা সনামহিগী খুভমদা চেং হৈদুনা কৈরুংহনবগী নুমিৎ পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি লৈবাক খুনজাউ লৈচাউনবা, মহৈ মরোং চুমবা, ফৌগৈ চেংগৈ ৱাৎতনবগী পাঙথোকপনি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী নুঙবাদা নোংমগী ওইবা জিলা থাক্কী এক্তিভ মেম্বরসিপ ৱার্কসোপ (জিলা সক্রিয়া সদস্যত্যা অভিয়ান) থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। বি.জে.পি তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টনা শিনবা থৌরম অসিদা বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী সেক্রেটরি বিক্রমনচিংবা দলগী থৌমীশিং শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ রাজ্য থাক্কী ওইবা লাইরেম্বী ধুমেনগী মতাংদা ৱার্কসোপ কম প্রদক্সন অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মোইরাংকম্পু সাজেব অৱাং লৈকাই কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। নোর্থ ইষ্টর্ন ডান্স এন্দ ড্রামা একাদমিনা শিনবা থৌরম অসি কলচর মন্ত্রালয়গী শেন্থং মখাদা পাঙথোকপনি।

কোর্ট (এল)ঃ হাই কোর্ট ওফ মণিপুর, হাই কোর্ট লিগেল সার্ভিসেস কমিতি অমসুং সুপ্রিম কোর্টকী মেদিয়েসন এন্দ কোন্সিলিয়েসন প্রোজেক্ট কমিতি (এম.সি.পি.সি)না পুন্না শিন্দুনা মেদিয়েসন ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসিদগী হৌখ্রে। ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি থা অসিগী ১৮ ফাওবা চথগনি। প্রোগ্রাম অসিগী মনুং চন্না মোব সেসন, প্রাক্তিকেল কোর্সনচিংবা কয়াসু পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা চীফ জষ্টিস অমদি তোঙান তোঙানবা আইনগা মরী লৈনবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

জয়শঙ্কর ঃ মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করনা ঙসি নিউ দিল্লিদা ই-মাইগ্রেট ভি-টু জিরো ৱেব পোর্তেল অমসুং মোবাইল এপ্প হৌদোকখ্রে। ই-মাইগ্রেট পোর্তেল অসিদা রেজিষ্টর তৌরবা মীরৈবাক্কী ইমপ্লোইয়র লাখ ২ লিশিং ৮১ লৈ। মসিনা ভারতমচাশিংনা অতোপ্পা লৈবাকশিংদা মখোয়গী থবক্কা মরী লৈননা চৎপদা হেন্না খুদোংচাহল্লগনি।

মহাকা হায়- ই-মাইগ্রেন্ট ভি-টু জিরো পোর্তেল অসিনা ভারতমচাশিংবু সরকারনা হেন্না শাফনবা খুদোংচাবা পীরে হায়বা তাক্লে। মসিনা মপান লৈবাকশিংদা থবক শুরিবা শিন্মীশিংগী হকশিং সরকারনা ঙাক শেল্লি হায়বগী খুদম অমনি। মন্ত্রিনা হায়- হৈ শিংলবা শিন্মীশিং মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পামবগী চাং হেনগৎলক্লি। হৌখিবা চহি খরা অসিদা পাসপোর্ট লৌথোকবা দরখাষ্ট থারকখিবগী চাং অসি হান্নগী চাংদগী শরুক অনি হেনগৎলক্লি অমসুং পোর্তেল অসিনা মাহগ্রেন্টশিংদা সোসিয়েল সেক্যুরিতি পীরগনি খনবদা নুংঙাইবা ফাওই হায়নসু শ্রী জয়শঙ্করনা মখা তাখি।

গদকারি ঃ কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট অমসুং হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা হায়রি- লৈবাক অসিদা ইথানোল বাইও ফ্যুএলগী পম্প ৪০০ হেন্না হাংদোকখ্রে। বাইও ইনর্জি সম্মিৎ ২০২৪ থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা তোঙান তোঙানবা ওতো মোবাইল ব্রান্দ অহুমগী মতেংগা লোয়ননা ইথানোল বাইও ফ্যুএল শিজিন্নদুনা থৌবা য়াবা ফ্লেক্স ইঞ্জিন ভেহিকল পুথোকবা হোৎনরি।

শ্রী গদকারিনা হায়- অমোৎ অকায়শিংদা ইথানোল, সি.এন.জি অমসুং মিথাইলনচিংবা বাইওু ফ্যুএলশিং পুথোকপা য়াবা পোৎলম কয়া য়াওরি। মরম অদুনা অমোৎ অকায় হুন্দোকপা মতমদা তোখায় তোখায়না মফম চানা থম্বীবা তঙাইফদে। বাইওু ফ্যুএল অসিনা লৈবাক অসিগী ওইনা শেল থুমগী লমদা হেন্না খুদোং চাহল্লগনি।

সিন্দিয়া ঃ কেন্দ্রগী কম্যুনিকেসন্স মন্ত্রি জ্যোতিরঅদিত্যা সিন্দিয়ানা হায়রি- থা ২২ খক্তগী মনুংদা ভারতনা লৈবাক অসিগী রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি পুমমক্তা ফাইভ-জি সার্ভিস ফংহদুনা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৮০ কোনশিনবা ঙমলে। নিউ দিল্লিদা ঙসি মঙারক শুবা গ্লোবেল ষ্টেদর্ন্দস সিম্পোজিয়ম হৌদোকপগী থৌরমদা মন্ত্রিনা হায়- ফাইভ-জি সার্ভিস হৌদোকপা অসিনা ইং কুমজা ২০৪০ ফাওবদা ভারতকী শেনমিৎলোনদা অমেরিকাগী দোল্লর কোতি ৪৫ হাপচিনবা ঙল্লগনি।

আরবিআই ঃ রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী গভর্নর শক্তিকান্ট দাসনা হায়রি- য়ামা ফবা মখলগী দিজিতেল ফাইনান্সিয়েল প্রদক্টশিং শেমগৎপদা খুদোংচাবা মালেম থাক্কী ওইবা দিজিতেল পাব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর ভারতনা শেমগৎলে। মহাকা হায়- ভারত অসি হৌজিক্তি খ্বাইদগী মতিং লৈবা ষ্টার্টঅপশিংগী খ্বাইদগী চাউবা মালেমগী অহুমসুবা লৈবাক ওইরে।

অসাম ঃ অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা হায়রি- আত্মা নিরভর অসোম অভিয়ানগী মখাদা রাজ্য অদুগী নহা ওইরিবা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংদা শক্তি পীদুনা মখোয়গী কম্পনিশিং খুমাং চাওশিনহন্নবা অমসুং রাজ্যগী শেনমিৎলোন অমদি থবক ফংহনবদা মতেং পাংনবা লেপ্তুনা হোৎনরি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- হৃ দক্তা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা বেনিফিসরি লিশিং ২৫ দা লুপা লিশিং ৭৫-৭৫ য়েন্থোকখ্রে।

ইন্দো-জপান ঃ  ভারত অমসুং জপানগী মরক্তা ঙাকশেলগী তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ভারত লান্মীগী মকোক জেনেরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদি নুমিৎ মরিনিগী জপান খোঙচৎ ঙসিদগী হৌখ্রে। ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী লান্মীগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহনবতা নত্তনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা য়াবা অনৌবা লম কয়াসু পুথোকবা হোৎনগনি।

ইজরেল ঃ  ইজরেলদা য়ামা ফবা মখলগী মিসাইল দেফেন্স সিষ্টেম থারগনি অমসুং মদু শিজিন্ননবা আকেরিকা লান্মী ১০০ রোমসু থারগনি হায়না আমেরিকানা লাউথোকখ্রে। হমাজনা ইজরেলদা লান্দাখিবা চহি অমগী মতুংদা আমেরিকাগী লান্মী থাজিনবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি।

অমরোমদা, হেজবুল্লাহনা দ্রোন শিজিন্নদুনা ইজরেলগী অৱাং থংবা শরুক্তা ঙরাং নুমিদাং আর্মি বেজ অমদা লান্দারকপদা য়ামদ্রবা ইজরেল লান্মী মরি শিরে, ৫৮ না শোক্লে। হেজবুল্লাহনা হায়- শগোলশেল নুমিৎতা ইজরেলনা লেবাননদা লান্দাদুনা মী ২২ হাৎখিবা অমসুং ১১৭ শোকহনখিবা অদুগী লমন শিংবা ওইনা ঙরাং লান্দাখিবনি।

------